
# টাইৱানবু মেনলেন্দগা পুনশিলহন্নবা হোৎনবদা চাইনানা ফোর্স শীজিন্নবগী ওপসন থাদোক্লোই: সি জিনপিং

বৈজিং, ওক্তোবর ১৬ (এজেন্সী): টাইৱানবু মেনলেন্দগা পুনশিলহন্নবা হোৎনবদা ফোর্স শীজিন্নবগী ওপসন অসি চাইনানা কৈদৌনুংদসু থাদোক্লোই হায়না চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা থাংজ নুমিত্তা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে অমসুং নেসনেল সোভরেন্টি, সেক্যুরিটি অমসুং চাওখৎ থৌরাংশিংবু ঙাক শেন্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী মিলিটরি ৱার্ল্ড-ক্লাস ষ্টেন্দর্দ ওইনবা মোর্দনাইজেসনগী খোঙজেল য়াঙশিল্লগনি হায়খ্রে।



রেকোর্দ ওইবা মওংদা অহুমশুবা টার্ম অমগসু পৱার পায়নববা শেম শারকপগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। টাইৱাননা মশাবু সোভরেন্ট ষ্টেট অমনি হায়না খঞ্জরবসু চাইনানদি মশানা লৈঙাকচরিবা ঈথৎ অসিবু মেনলেন্দদগী তোঙান্না লৈখিবা প্রোভিন্স অমনি হায়না লৌরিবনি। ঈথৎ অসিবু মেনলেন্দগা অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী পান্দম অসি ফঙনবা হোৎনবদা বৈজিংনা ফোর্স শীজিন্নরকপা য়াই হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন্না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

চহী মঙাগী মনুংদা অমুক্তমক পাঙথোকপা রুল্লিং কম্যুনিষ্ট ওফ পার্টি (সিপিসি) গী চয়োল অমা চুপ্পা চথগদবা কংগ্রেস হৌদোকপগী নুমিত্তা ৱা ঙাঙলদুনা সিনা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না ফোর্স শীজিন্নবগী ওপসন অসি কৈদৌঙৈদসু থাদোক্লোই অমসুং টাইৱানদা তোখায় তানবগী পান্দমদা চথরক্লিবা ঈহৌ নত্ত্রগা খোঙজং পুন্নমক লেপহন্নবা হোৎনবদা মথৌ তাবা খোঙথাং খুদিংমক ঐখোয়না লৌখৎকনি।

সিপিসিগী মীফম অসিনা সি জিনপিংনা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা অহুমশুবা চহী মঙাগী টার্ম অমগসু পায়হল্লগনি হায়না থাজনরিবনি। সি জিনপিং খক নত্তনা রুল্লিং কম্যুনিষ্ট পার্টিগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা লূচিংবা প্রিমিয়র লি কে কেকিয়াং য়াওনা পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবা পুন্নমক কংগ্রেস অসিদা শিন্দোক্লবা য়াই নত্ত্রগা রি সফল তৌরবা য়াই।

মশাগী চহী ৬০ শুরবা সিনা লৈঙাক পায়রকপা চহী ১০ মপুং ফারকপগা লোয়ননা রুল্লিং পার্টিগী মরু ওইবা মীফম অসিদা খোঙথাংশিং অসি লাক্কদৌরিবনি। পার্টিগী মরু ওইবা লুচিংবা কয়া শিন্দোকপা তারবসু কংগ্রেস অসিনা সি জিনপিংবু মখা তানা লৈঙাক্কী পৱার শিন্নরগনি হায়না থাজনরি। মহাক পার্টিগী ফাউন্দর মাও জেদোংগা মান্নবা পার্টিগী কো লিদর অমনি হায়না মমাঙদা লাউথোকপা লৈখ্রবনি। সি জিনপিংনা মখা তানা পৱার পায়রক্কদৌরিবা অসিনা পার্টিগী টৌপ লিদরশিংনা চহী মঙাগী টার্ম অনী মপুং ফানা পায়রবা মতুংদা থবক্তগী পোথাবা হায়বা চহী ৩০ হেন্না চৎনরক্লবা প্রেক্তিস অদু হৌনবী মতুং ইন্না লৈশিল্লগনি হায়রি।

নীংথিরবা গ্রেট হোল ওফ ড পিপলদা পাঙথোক্লিবা অখন্নবা মীফম হৌদোকপগী থৌরম অদুদা সিগী মমাঙদা লৈরম্বা হু জিন্টাও, হান্নগী প্রসিদেন্ট জিয়াং জিমিং অমসুং হান্নগী প্রিমিয়র ৱেনজিয়াবাও য়াওনা পার্টিগী থবক্তগী পোথারবা হান্নগী লুচিংবা পুন্নমক্কা লোয়ননা অতৈ হান্নগী লিদর কয়ানা শরুক য়াদুনা কংগ্রেসনা লৌরক্কদৌরিবা ৱারেপতা য়ুনিটি লৈ হায়বদু উৎখি।

মীফম হৌদোকপা অদুদা সি জিনপিংনা পুং ১.৪৫ রোম চুপ্পা ৱা ঙাঙখি। সিনা মহাক্কী স্পিচতা মরু ওইনা পনখিবা চাইনাবু অমুক হন্না অমত্তা ওইনা পুনশিলহনবা হায়বা ৱাফম অসিনা টাইৱানবু চাইনিজ মেনলেন্দদা পুনশিলহনবা হায়বসি মহাক্কী লেঙদ্রবা পান্দমনি হায়বদু উৎখি। মহাক্না পান্দম অসিবু ফঙদুনা ৱা ঙাঙবদা কংগ্রেস অদুদা শরুক য়ারিবা ইলেক্তেদ দিলেগেট ২৩০০ হেনবনা খুবাক খুদুনা শৌগৎনখি।

সিপিসিগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা সিনা হায়খি, মদুদি টাইৱানগী ইস্যু অসি লৈখায় তাথোকপগী মতাংদা পার্টিনা খোঙফম অমত্তা ওইনা লেপ্পুনা মসিগী ষ্ট্রেটেজি কাউথোক্লোইদবনি অমসুং লৈবাক অসি রি য়ুনিফাইদ তৌনবা অচেৎপা ফিরেপ লৌগদবনি।

# পাকিস্তাননা য়ুএসকী এনভোই কৌখত্তুনা জো বাইদেনগী ৱাফম এক্সপ্লেন তৌহনখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ১৬ (এজেন্সী): পাকিস্তাননা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ুএসকী এম্বেসেদর কৌখৎতুনা প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা সাউথ এসিয়াগী লৈবাক অসিবু মালেমগী খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি হায়খিবা অমদি লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গী সেফতি প্রোটোকোলশিংদা চিংনবা উৎখিবগী মতাংদা এক্সপ্লেনেসন অমা পীনবা খঙহনখ্রে।



কার্লির্ফোনিয়াদা প্রাইভেট দিমোক্রেটিক পার্টি ফন রেজর অমদা য়ুএস ফোরেন পোলিসিগী মতাংদা ৱা ঙাঙবদা প্রসিদেন্ট বাইদেননা পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গা মরী লৈনবা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

তৌইগুম্বসুং হ্বাইট হাউসনা মতুং তাবদা মহাক্কী কম্মেন্টশিং অদুগী ট্রান্সক্রুপ্ট অমা ফোঙলকপদগী পাকিস্তানগী লুচিংবা কয়া খোইরাং খোইশাওনখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অফঘানিষ্টানদা চথরকখিবা চহী ২০ শুরবা লান লোইশিনখিবা হৌখিবা চহীদগী ৱাশিংতন অমসুং ইস্লামাবাদকী মরী শোকচিল্লকখি।

পাকিস্তাননা মরু ওইবা লোজিষ্টিকেল সপোর্ট পীরবসু য়ুএস ওফিসলশিংনদি ইস্লামাবাদকী মতিক ময়াই লৈরবা মিলিটরি অমসুং ইন্টলিজেন্স এপরেটসনা টালিবানবু মতেং পাঙখি হায়নসু থাজরিবনি।

পনবা য়াবদি, অফঘানিষ্টানদগী ফোরেন ট্রুপশিং লৌথোকখিবগা লোয়ননা টালিবাননা লৈবাক অসিগী লৈঙাক্কী পৱার পায়রকখিবনি। প্রসিদেন্ট বাইদেননা মহাক্কী স্পিচ অদুদা চাইনিজ লিদর সি জিনপিংদা মহাক্কী ৱাফম শান্নখিবগী মতাংদসু পনখি। চাইনিজ লিদর অসিগী মতাংদা পল্লদুনা বাইদেননা হায়খি, সি জিনপিংনা মহাক্না পাল্লিবশিং করিনো হায়বসি চপ চানা খঙজরবসু চাইনিজ লুচিংবা অসি মখল মখাগী প্রোব্লেমশিং মায়োক্লদুনা লৈরি। অসুম তৌদুনা রসিয়ন লিদর পুটিনসু প্রোব্লেম কয়া মায়োক্লদুনা লৈরিবনি। মখোয়গী প্রোব্লেমশিং মুন্না খঙবগা লোয়ননা ঐখোয়না মখোয়বু হেন্দল তৌগদবনি।

রসিয়া অমসুং চাইনাগী মতাংদা পল্লকখিবগা ইরোয়ননা বাইদেননা পাকিস্তানসু পল্লকখি অমসুং লৈবাক অসি মালেমদা খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না ঐহাক্না লৌই হায়খি।

মরু ওইনা মহাক্না পাকিস্তান অসি য়ুনিফাইদ কম্মান্দ ষ্ট্রকচর লৈতবা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থম্বা অমদি শাবা লৈবাক্নি হায়খি। প্রসিদেন্ট বাইদেনগী ৱারোল অদুগী ট্রান্সক্রুপ্ট ফোঙখিবা মতুং পুং খরগী মতুংদা পাকিস্তাননা য়ুএস এম্বেসেদর দোনাল্দ ব্লুমবু ইস্লামাবাদতা লৈবা ফোরেন ওফিসতা কৌখত্তুনা প্রসিদেন্ট বাইদেনগী কম্মেন্টশিং অদুগী এক্সপ্লেনেসন অমা পীননবা খঙহনখি।

# বেলোচিষ্টানগী এক্স চীফ জষ্টিস মোস্কী মপানদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ১৬ (এজেন্সী): পাকিষ্টানগী বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সকী হায় কোর্টকী হান্নগী চীফ জষ্টিস ইরাই নুমিত্তা মোস্ক অমগী মপানদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।



খারনগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অসিফ খালিমনা দোনদা ফোঙদোকখিবদা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা মুহামদ নুর মিসকঞ্জাইবু খারন এরিয়াগী মোস্কী মপানদা নোংমৈনা কাপখি অমসুং থৌদোক অদুদা মহাক ফিভম থীনা শোকখি। হান্নগী চীফ জষ্টিস অসি অনকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নরবসু মহাক অশোকপশিংদুনা মরম ওইরগা শিখিবনি।

মশাদা অকিবা লৈতবা জজ অসিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা বেলোচিষ্টানগী চীফ মিনিষ্টর মির অব্দুল কুদ্দুস বিজেঞ্জোনা মহাক্কী সার্ভিসশিং কাউনিংঙাই ওইদে হায়খি।

বিজেন্দ্রোনা হায়খি, মদুদি মরা তপ্পা ফিভম লৈহনবা পামদবশিংনা চথখিবা পাঙদবগী এটেকশিং অদুনা লৈবাক অসিবু কিহনবা ঙল্লোই।

মুস্কাঞ্জাইনা পীখিবা মরু ওইবা জজমেন্ট অমনা রিবা-বেজ বেঙ্কিং সিষ্টেম্বু সিরিয়াগী মায়োক্তনি হায়না লাউথোকখিবনি। মুস্কাঞ্জাইগী মীহাৎ অদুবু ক্বেটা বার এসোসিএসন (ক্যু বি এ) গী প্রসিদেন্ট অজমল খান কাকরনসু কন্দেম তৌখি।

কাকরনা হায়খি, মদুদি হান্নগী জজ অসিনা লৈখিদবা অসিদা পাকিষ্টানগী সিটিজেন খুদিংমক থম্মোয় কায়নরে। থৌদোক অসিবু ঐখোয়না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই অমসুং মীহাৎপশিং খুদক্তা ফারগা লোগী মতুং ইন্না ৱায়েল চখনবা ঐখোয়না দিমান্দ তৌই হায়না কাকরনা দোনদা ফোঙদোকখি।

বেলোচিষ্টানগী হায় কোর্টকী হান্নগী চীফ জষ্টিস হাৎপগী থৌদোক অসি লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটিগী ফিভম শোকচিল্লক্লিঙৈ মরক্তা থোক্লক্লিবনি। থা অসিগী অঙনবদা পাকিষ্টানগী ষ্টেট মিনিষ্টর ফোর লো সাহদট হুসেননা লৈবাক অদুদা টেররগী এক্তিভিটিশিং খঙহেন হেনগৎলক্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি। ইস্লামাবাদতা লৈবা থিঙ্ক টেঙ্ক অমনা সেপ্টেম্বর থাদা চহী অসিগী ওইনা পাকিষ্টানদা টেররগী থৌদোক মশিং খ্বাইদগী য়াম্না থোকখি হায়না পল্লদুনা এটেক অয়াম্বা অথিংবা থমখ্রবা টেহরিক-ই-টালিবানগী খুৎনি হায়খি।

# জনুৱারী ৬ কী পেনেলনা য়ুএসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প সমন তৌখ্রে

ৱাশিংতন, ওক্তোবর ১৬ (এজেন্সী): কুমজা ২০২১ দা কেপিটোল হিলসতা থোকখিবা মীয়ামগী লালহৌগী মরমদা থিজিল্লিবা কংগ্রেস্নেল পেনেলনা হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প সমন তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২১ গী জনুৱারী ৬ তা থোকখিবা মীয়ামগী লালহৌ অদুদা মীওই মাপন শিখিবগা লোয়ননা ট্রম্পকী সপোর্টর চা কয়া থাগৎখিবনি। জনুৱারী ৬ কী কম্মিটিগী মমাঙগী মীটিং অদুদা মসিগী মাপনশুবা অমদি অরোইবা পব্লিক হিয়ারিং মপুং ফানা লোইশিনবা ঙমখিদবনি। মাপনশুবা হিয়ারিং অদু দোনাল্ড ট্রম্পপু ক্রিমিনেল কন্দক্টকা মরী লৈননা য়ুএস জষ্টিস দিপার্টমেন্টদা রিফর তৌনবগীদমক্তা পাঙথোকখিবনি। খোঙথাং অসিবু পেনেল অদুগী মেম্বর খরা য়াওনা মীওই কয়ানা তকশিন্নখি।

তৌইগুম্বসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিবু মীয়ামগী ইরাং অদুগা মরী লৈননা য়ুএস জষ্টিস দিপার্টমেন্টদা শিন্নবগী মহুত্তা দিমোক্রেটশিং অমসুং রিপব্লিকানশিং য়াওনা পার্টি অনীগী ওইবা পেনেল অদুগী মেম্বর মাপনমক্না ট্রম্পতা সাপিনা অমা ইস্যু তৌদুনা পেনেল অসিদা লাকহন্নবা অমদি কেপিটোলদা মহাক্কী সপোর্টরশিংনা চথখিবা এটেক অদুগী থৌদোকশিংগী ৱারোল অমা পীহনবা হায়না লেপ্পখি।

কুমজা ২০২১ গী জনুৱারী ৬ তা য়ুএসকী কেপিটোলদা চথখিবা এটেক অদুগা মরী লৈনবা ক্রাইমশিংগী মতাংদা প্রসিদেন্টবু হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীবগী ৱারেপ অসি কংগ্রেসনা লৌগদবা নত্তে। জষ্টিস দিপার্টমেন্টনা লৌগদবনি। তৌইগুম্বসুং কম্মিটি অসিনা হান্নগী প্রসিদেন্ট অদুদা ইস্যু তৌগদৌরিবা ফোর্মেল সাপিনা অদু পুৱারীদা রেকোর্দ ওইগদবা অমা ওইরবসু ট্রম্পনদি শোয়দনা নাচুংলোই হায়না পোলিটিকেল ওবজার্বরশিংনা ফোঙদোক্লখিবনি।

সাপিনা অদুদা খোইরাং খোইশাওননা রিএক্ট তৌরদুনা ট্রম্পনা জনুৱারী ৬ কী পেনেল অদুগী চিয়রমেন বেনি থোমসনদা লমায় ১৫ গী লেটর অমা পীশিন্দুনা কম্মিটি অদু ফত্তবা পোলিটিকেল পান্দমদা শেমখিবা অকন অরিং শিংবশিং ঙাক্তনা মেম্বর ওইবা কম্মিটিনি হায়খি।

# ‘য়েক্লবশিংনা ইরানগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগী ইনরিচমেনগী শরুক্তা মীৎয়েং চঙদুনা লৈরি’

টেহরান, ওক্তোবর ১৬ (এজেন্সী): এটোমিক ইনর্জি ওর্গনাইজেসন ওফ ইরান (এ ই ও আই) গী স্পোক্সমেননা হায়খ্রে, মদুদি য়ুরেনিয়ম ইনরিচমেন অসি ইরানগী ন্যুক্লিয়র এক্তিভিটিশিংগী শরুক অমখক ওইরবসু য়েক্লবশিংনদি মসিদা মীৎয়েং চঙদুনা লৈরি।

মীফম অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা এ ই ও আইগী স্পোক্সমেন বেহরোস কামল বান্দিনা থাংজ নুমিত্তা হায়খি, মদুদি লৈবাক অসিনা রেদিও ফার্মাস্যুটিকেলশিং পুথোকপা অমদি এগ্রিকলচরগী লমদা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া তৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং য়েক্লবশিংনা ইরানবু ন্যুক্লিয়র ইন্দষ্ট্রিদা চঙহনবা পামদে।

মসিনা মরম ওইদুনা মখোয়না টেহরানবু মসিগী ন্যুক্লিয়র এক্তিভিটিশিংগী খুত্থাংদা অতৈ পান্দমশিং ফঙনবা হোৎনরি হায়না মালেমদা থাজহল্লিবনি। এ ই ও আইগী স্পোক্সমেন অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিং অমসুং হিদাক লাংথকশিং অসি ইরানদা থল্লিবা অথিংবশিংগী লিষ্টতা য়াওদে হায়রিবসি মীনম্বা ৱানি। রেদিও ফার্মাস্যুটিকেলশিং পুথোক্লিবা ইরানিয়ন কম্পেনি অমা ফাওবা মখোয়না অথিংবা থম্মী।

হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ই এ) না রিপোর্ট অমদা হায়খি, মদুদি ইরানগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম অসি শুপ্নগী পিছফুল ওইবা হিরমগীদমক্তনি হায়বসিদা ঐখোয়না থাজবা পীবা ঙমদে। লোয়ননা মমাঙদা ইরানগী মালেমদা লাউথোকখিদবা ন্যুক্লিয়র সাইট অহুমদা থেংনখিবা ন্যুক্লিয়র মেটরিএল মচিৎশিংগী মতাংদা হংনরিবা ৱাহংশিং লৈখায় তানবা হোৎনবদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদ্রে।

রিপোর্ট অদুগা মরী লৈননা আই এ ই এবু চৈ থাংলদুনা কমাল বান্দিনা মতমদুদা রিপোর্ট অদু পোলিটিকেল ইথিল য়াওবা মমাঙগী য়ুম্ফম য়াওদবা কেসশিং নৌহৌননা ফোঙদোকপনি হায়খি। হৌখিবা জুনদা আই এ ই এগী বোর্দ ওফ গভর্নসনা য়ুএস অমসুং য়ুরোপকী লৈবাক অহুম হায়বদি বৃটেন, ফ্রান্স অমসুং জর্মর্নিনা প্রপোজ তৌখিবা ইরানবু এজেন্সি অসিদা কো ওপরেসন পীদে হায়না মরাল শীরিবা এন্টি-ইরান রিজোলুসন অমা অয়াবা পীখিবনি।

খোঙথাং অদুগী মতুংদা ইরাননা এদভান্স সেন্ট্রিফ্যুসশিংদা য়ুরেনিয়ম গ্যাস ইনজেক তৌবা হৌখি অমসুং লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র সাইটশিং মোনিটর তৌরিবা আই এ ই এগী কেমেরাশিংগী মনুংদা খরা দিস্কনেক্ট তৌখি।

কুমজা ২০১৫ দা ইরাননা মালেমগী পৱারশিংগা ন্যুক্লিয়র দিল অমা খুৎয়েক পীনদুনা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র এক্তিভিটিশিং কন্ট্রোল তৌবগী ৱাফম য়াখি।

অমরোমদা, টেহরানদা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোকপগী ৱাফম মালেমগী পৱারশিংনা য়াখি। অদুম ওইনমক কুমজা ২০১৮ গী মেদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা এগ্রিমেন্ট অদুদগী হন্দোকপগা লোয়ননা টেহরানদা ৱাশিংতন্না থল্লম্বা অথিংবশিং নৌহৌননা অমুক থমখিবনি।

# টর্কিগী মাইন পোকখায়বদা শিখিবা মী মশিং ৪১ শুরে

অঙ্করা, ওক্তোবর ১৬ (এজেন্সী): টর্কিগী অৱাং থংবা বর্টিন প্রোভিন্সতা লৈবা অন্দরগ্রাউন্দ কোল মাইন অমা পোকখায়খিবগী থৌদোক্তা শিখিবা মী মশিং ৪১ শুরে হায়না লৈবাক অসিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর সোলেমান সোলুনা ফোঙদোকখ্রে।

অন্দরগ্রাউন্দ কোল মাইনদা পোকখায়খিবা অদুদা ৱার্কর ১১০ মপানদা থোকপা য়াখিদবগা লোয়ননা অশিবা মশিং হেনগৎলকখিবনি।

মিনিষ্টর অসিনা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা অমটস্রা টাউনগী মনুং চন্না লৈনুংদা মিটর ৩০০ লুথনা পোকখায়খিবা মতম অদুদা মাইন অদুদা ৱার্কর ১১০ লৈখি হায়বসি কনফার্ম তৌখি। ৱার্করশিংদুগী মনুংদা ৱার্কর ৫৮ দি মতুং তাবদা মশা মশানা হোৎনজদুনা মপানদা থোক্লকপা ঙমখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই ১৩ শোকপদগী হোস্পিটলাইজ তৌখি।

মিনিষ্টর অসিগী মতুং ইন্না লৈনুংদা লৈরিবা মাইনর অমগী ফিভম শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। লোকেল মতমদা নুমিদাং পুং ৬.১৫ রোম তাবদা পোকখায়বগী থৌদোক অদু বর্টিন প্রোভিন্সকী অমটস্রা হার্ট কোর এন্টরপ্রাইজতা থোকখিবনি। অহানবগী ফাইন্দিংদা পোকখায়বা অদু মিথেনগুম্বা ফায়রদাম্পনা থোকহনখিবনি হায়বগী ইঙ্গিৎ ফঙই হায়না ইনর্জি এন্দ নেচরেল রিছোর্সেস মিনিষ্টর দোনমেসনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টর অসিগী মতুং ইন্না গেল্লেরিদা চাল্লিবা মৈ কন্ট্রোল তৌবা ঙল্লে অমদি থীবা হুম্বগী থবকশিং অমদি রেস্ক্যু টিমশিংগী মথৌশিং লেপত্রি। টর্কিজ প্রসিদেন্ট রিসেপ তায়িব ইর্দোগান থৌদোক থোকফম অদুদা চঙশিন্দুনা ফিভম য়েংশিনখ্রে। পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৪ দা নোংচুপ থংবা মনিশা প্রোভিন্সকী সোমা টাউনদা লৈবা কোল মাইন অমগী মনুংদা মৈ চাল্লকপদগী মীওই ৩০১ শিখিবনি।

# ঘানাগী ওফিসলশিংনা কোভিদ ১৯ থিংনবা খুৎকী হাইজিন লেপ্পুনবা মীয়ামদা আপিল তৌখ্রে

আক্রা, ওক্তোবর ১৬ (এজেন্সী): কোভিদ ১৯ অমসুং অতৈ লৌনগনবা লায়নাশিং শন্দোরকপা থীংনবা মীয়াম্না খুৎকী হাইজিন লেপ্পুনবা ঘানাগী নেসনেল কো-ওর্দিনেটর ওফ হেন্দ ৱাশিং কেম্পেইন থিওদোরা অদোমাকো-অজেননা আপিল তৌখ্রে।



থাংজ নুমিত্তা গ্লোবেল হেন্দ ৱাশিং ডে ওবজার্ব তৌরদুনা ঘানাগী খা থংবা কুমাসিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙবদা হেন্দ ৱাশিং কেম্পেইনগী নেসনেল কো ওর্দিনেটর থিওদোরানা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মখা তানা হায়খি, মদুদি কোভিদ ১৯ থোক্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদগী গ্লোবেল কেম্পেইন অসি লৈরক্লবনি। কেম্পেইন অসি মখা তানা চথবা হায়বসিনা লৈবাক অসিদা লায়না লাইচৎ অসি শন্দারকপা থিংবদা চাওনা মতেং পাঙবা ঙমগনি।

মরম অদুনা খুন্নাইনা প্রেক্তিস অসি শুপ্নগী কোভিদ ১৯ থিংনবগী থৌরাংনি হায়না খল্লোইদবনি। মীওইবনা নুমিৎ খুদিংগী পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিংদা খুৎতা জাম, ভেক্তরিয়া অমসুং ভাইরসশিং পক্লিংঙাই ওই। মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী খুৎকী হাইজিনগী প্রেক্তিস অসি মীপুম খুদিংমক্কা লেপ্পুনবা আপিল তৌরিবনি। কোভিদ ১৯ লৈরবসু নত্ত্রগা লৈত্রবসু মীপুম খুদিংমক্কা প্রেক্তিস অসি লেপ্লোইদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটনা চল্লাইবা কম্যুনিটি ৱাটর এন্দ সেনিটেসন এজেন্সিদা এক্সটেন্সন সার্ভিস ওইনা কো-ওর্দিনেটরগী ফম পায়রিবা থিওদোরানা হৌজিক ঘানাগী মীয়াম্না খুৎকী হাইজিন কোমথোরকপগী ফিভম উবসি নুংনাংনিংঙাই ওই হায়খি। মসিদা নত্তনা মহাক্না কোভিদ ১৯ পেন্দামিক্কী মতমদা পব্লিক ইন্সটিট্যুসনশিংদা থল্লম্বা খুৎশা হামদোক চামথোকপগী ফেসিলিটিশিং লৌথোকখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা করিগুম্বা ঐখোয়না ফখ্রবা খুৎকী হাইজিন প্রেক্তিস অসি লেপ্পা তারবদি কোলেরা, দাইরিয়া, দাইসেন্ট্রি, টাইফোইদ অমসুং অতৈ মীয়ামদা শন্দোক্কনবা লৌনগনবা লায়না পুন্নমক অমুক হল্লক্তুনা ঐখোয় পুন্নমক খুদোংথীবা ফিভম অমা মায়োক্লরক্কনি হায়খি।

# য়ুক্রেনগী ষ্টারলিঙ্ক ইন্টরনেট মখা তানা ফন্দিং তৌখিগনি: ইলোন মস্ক

সেনফ্রান্সিস্কো, ওক্তোবর ১৬ (এজেন্সী): টেক বিলেনিয়র ইলোন মস্কনা হায়রি, মদুদি মহাক্কী রোকেট ফার্ম স্পেস এক্সনা য়ুক্রেনদা মসিগী ষ্টারলিঙ্ক ইন্টরনেট সার্ভিস মখা তানা ফন্দিং তৌখিগনি।

মহাক্কী ফার্ম অসিনা মখা তানা য়ুক্রেনদা ইন্টরনেট সার্ভিস অদু ফন্দিং তৌররোই হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা মহাক্না সার্ভিস অদুবু মখা তানা ফন্দিং তৌগনি হায়না অমুক ফোঙদোরকখিবনি।

মাইক্রোব্লোগিং সাইট ত্বিটরদা ইরদুনা মস্কনা হায়খি, মদুদি ষ্টারলিঙ্ক হৌজিকসু মখা তানা শেল মাঙলবসু অতৈ কম্পেনি কয়ানা টেক্স প্যেরশিংগী দোল্লর বিলিয়ন কয়া ফঙদুনা লৈরবসু ঐখোয়না য়ুক্রেন গভর্ণমেন্টবু লেম্না ফন্দিং লেপ্পুনা তৌখিগনি।

বিবিসিগী মতুং ইন্না ষ্টারলিঙ্ক অসি য়ুক্রেনগী মিলিটরি অমসুং মীয়াম্না ওনলাইনদা লৈবগীদমক্তা য়াম্না মরু ওই। য়ুক্রেননা হায়রি, মদুদি রসিয়ানা লান্দাবা হৌখিবদগী ষ্টারলিঙ্কনা মতেংনা মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং নৌনা শেমগৎ শাগৎপদা মতেং পাঙই। চয়োল অসিদা রসিয়ানা চথখিবা মিসাইল এটেক ১০০ হেনবগী টার্গেটশিং অদুদা ইনর্জি ইন্সটোলেসনশিংসু য়াওখি।

ষ্টারলিঙ্কতা লো-আর্ট ওর্বিটকী সেটলাইট লিশিং কয়া অমদি গ্রাউন্দ টর্মিনেলশিং য়াওরিবনি। হৌখিবা থাদা মস্কনা পেন্টাগোনদা মহাকপু ফন্দিং তৌবগী মহুত্তা ষ্টারলিঙ্ক প্রোগ্রামবু ওইনা ফন্দিং তৌনবা তকশিনখি।

ইরাই নুমিত্তা মহাক্না ত্বিটর পোষ্ট অমদা স্পেস এক্সনা মমাঙগী চাদিংশিং কুপখৎনবা হোৎনরোই অমদি মসিনা হৌজিক লৈরিবা সিষ্টেম অদুবু মতম চুপ্পগী ওইনা ফন্দিং তৌবসু ঙল্লোই হায়না ফোঙদোকখিবদা মদুবু মায়কৈ কয়াদগী চৈ থাংনখিবনি।

# বৃটিস কঞ্জর্বেটিবশিংনা ট্রস শিন্দোকপগী ৱাফম খন্নরগনি

লন্দন, ওক্তোবর ১৬ (এজেন্সী): সেনিয়র কঞ্জার্বেটিবশিংনা চয়োল অসিদা রেস্ক্যু মিশন অমগী মতাংদা ৱারী শান্নদুনা লিস ট্রসপু লুচিংবা ওইবগী ফমদগী লৌথোকপগী ৱাফম খন্নরগনি হায়রি।



অনৌবা চাঞ্চেল্লর জেরিমি হন্টনা ট্রসকী ইকনোমিক পেকেজ রিজেক্ট তৌদুনা চাদিং হন্থহনবগী অনৌবা তাঙ্কক অমা লাকহল্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখিবগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি হায়রি।

সেনিয়র এমপি কাঙবু অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মীফম পাঙথোক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী তুংদা ওইরক্কদবা ফিভমগী মতাংদা খন্নরগনি। এমপি খরনদি মহাকপু নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মফম থাদোকহনবা পাম্মী অমসুং অতৈ সেনিয়র এমপি খরনা মহাক হৌজিক ওফিস পায়রবসু মহাক্না এদমিনিষ্ট্রেসনগী এফিয়র্স কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রে হায়না ফোঙদোক্লরি।

ট্রসকী টেক্স ককথবগী প্রোগ্রাম রিজেক্ট তৌরবা মতুংদা এমপি খরনা ট্রসপু মফম থাদোক্লবা তকশিন্দুনা লাক্লি। পিএম অসিবু শৌগৎপগী খোঙথাং অমদা মহাক্কী কেবিনেট মীচংশিংনা এমপিশিংদা চেকশিনৱা খঙহল্লদুনা মখোয়গী থৌওংশিং অদুনা য়ুকেদা শোয়দনা মীখল পাঙথোকহল্লগনি অমসুং করিগুম্বা মখোয়না শুপ্নগী থা খরগী মনুংদা অনীশুবা লিদর অমা চিংথুবা তারবদি টোরিশিং পার্টি অমা ওইনা লৈবা ঙল্লরোই হায়খি।

অদুম ওইনমক মেম্বরশিংনা ট্রসকী ক্রিটিকশিংদা তত্তনা পাউ ফাওনরকপগা লোয়ননা কেবিনেট মনুংদসু মহাকপু শৌগৎপশিংগী মশিং হন্থরক্লি। হান্নগী মিনিষ্টর অমনা হায়খি, মদুদি ট্রস হৌজিক লিদরগী ফম থাদোকপা য়াবগী ফিভম অমা মায়োক্লরক্লে। মসিমক মশানসু খঙজে। ট্রসপু লৌথোক্লগা সুনাকপু নত্ত্রগা অতোপ্পা লিদরশিপ কন্টেন্দর পেনি মোর্দোনকো ফম অসি করম্না অমদি করম্বা মতমদা পায়হনগদগে হায়বগী মতাংদা থৌরাং অমা য়াৎনবগীদমক্তা ইন্দিয়ন ওরিজিন এমপি অসিগী সপোর্টরশিংনা লাংবা দিন্নর অমদা হান্নগী মিনিষ্টর অমদি অতৈ সেনিয়র এমপি ১৫ দগী ২০ ফাওবা ইনভাইট তৌখ্রে হায়রি।

ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মরমদা খঙবা ছোর্স অমনা ফোঙদোরকপদা হান্নগী মিনিষ্টরশিং অমদি অতৈ সেনিয়র এমপিশিংনা মীফম পাঙথোক্তুনা মখোয়গী থৌরাং অদু থুনা থবক্তা ওন্থোক্লবা খন্নরগনি। মসি হৌজিক কঞ্জার্বেটিব পার্টি অমসুং লৈবাক অসিগী ইকনোমিগী ওইনা রেস্ক্যু মিশন অমা ওইরে।

# ঈশিং ঈচাও অমসুং লেন্দ স্লাইদতা মীওই ৩ শিরে

কলম্বো, ওক্তোবর ১৬ (এজেন্সী): ঈশিং ঈচাওশিং অমসুং লেন্দ স্লাইদশিংনা মরম ওইদুনা শ্রী লঙ্কাদা হৌখিবা পুং ৭২ গী মতমদা মীওই অহুম শিখ্রে অমসুং ইমুং ১৩,৯০২ গী মীওই ৫৫,০০০ হেন্না চৈথেংনঙলি হায়রি।



এজেন্সিনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট সেন্টর (দিএমসি) গী ৱারোল পল্লদুনা হায়, ঈথৎ লৈবাক অদুদা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দ স্লাইদশিং থোকহল্লিবা নোং চীংগী ফিভম অদু মখা তানা য়ুমশকৈশ নুমিৎ ফাওবা লৈখিগনি। চৈরকসিদা করিগুম্বা নোং লেপ্পুনা চুরবদি মফম খরদসু ঈশিং ঈচাওগী ফিভম লুশিল্লকপা য়াবগী রিস্ক লৈ হায়না ইরিগেসনগী দিরেক্তর এসপিসি সাবিস স্বরানা ৱার্নিং তৌখ্রে।

নোং চীংগী ফিভম ফগৎলক্তবনা মরম ওইদুনা দিষ্ট্রিক্ট তরুক্তা ইস্যু তৌখিবা লেন্দ স্লাইদকী ৱার্নিং মতম শাংদোকহল্লে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা দিএমসিনা ফোঙদোকখি।

দিপার্টমেন্ট ওফ মেটিওরোলোজিনা হায়রি, মদুদি হৌজিক ঈথৎ অদুদা নোং কন্না চুরিবদু মরু ওইনা ঈথৎ অদুগা নক্লনা ইন্টর ট্রোপিকেল কনবর্জেন্স জোন (আইটিসিজেদ) কী ইথিল লৈবদগীনি।